"তাইবঙ মীগী চিন্থোকপু কনানা হুকপা ঙমগনি।
চাক মরূ অমতংনা চেঙকোক অমা মাঙহনবসু লৈ।"
-হিজম গুণ (তোনু লাইজিংলেম্বী)

# শৈরেং

## চাকখাওগী লান

—ডা. অকোইজম ইবোহল

হো য়ায়া হো য়া, য়ায়া য়ায়া য়া
তাদবা পূন্নমক তাহৌরো
লোকদাউনগী থৌরি থাদোক্লে
লৈবাক্কী কুম্মৈ য়েংলগা;
য়ূম য়ূমদগী থোক্লরক্লো
অচা অথক লৈশিন্নহৌরো
থাউ হানগদবনা হাঞ্জিন্নহৌরো
পুং তরামাথোই ফাওবতনি;
চৎন-কাঙলোনদি কায়ফদে
য়ূমথোঙ অমদগী মী অমখক
মীগা মীগা মিটর অমা
মায়খুম শীজিন্নবসু তঙাইফদে;
খোই ময়ূম কায়বদুঙাই
খোইরেন মসা পাইনরকখি
চিক্লা চাইনবা ঙমখিদে
হিয়াংথাং বরগী মতৌগুমই;
ঙাইহাক কাউথোক্লখি কোরোনা
কর্ফিয়ু লৈরি নীংশিংনখিদে
হিংনবগী শোক্লবা লানফমদা
লোকদাউন ওন্থখি লোকখাদা;
নোম নোম শগাই তোং
চানবা লৈতে তখেন থাঙ
চাকখাউগী মায়োক্লবা লানফমদা
য়েক্লবা কোরোনা মায়থীখি;
গাড়ীগা গাড়ীগা কৃক কৃক
মীগা মীগা কৃক কৃক
পোৎ য়োনবসু লৈবসু
অমগা অমগা শকউনখিদে;
হৌখিবা মতম খঙহৌদে
পুলিসকী সাইরেন খোঙলকখি
পোৎ করিমত্তা য়োলহৌদ্রবী ইমাদুনা
তকশি শোল্লি, ইস! ঙসিদি কমদৌবা?

## ঐ লাল্লে

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

ফোঙদোকপনা ৱাৎকনি
তশেংনা য়াম্না ৱাখি
য়াম্না ৱাই।
থম্মোয়দগী হৌরকখিবা
ঈচেল অমনি,
থিংবা ঙমখিদ্রবা
ফোঙদোকপনা ৱাৎলগদবা
ইনীং তম্না হায়দোকপা
ঙমখিদ্রবা।
করম ওইরকখিবা
করম্না থোকখিবা
কয়ারক হন্নসু খনখি
ঙসিদি হায়দোক্লবনি
নঙোন্দা,
ঐ লাল্লে হায়না
য়ারেনেকো।

## শিদ্রিঙৈসিদা

—সেৱা নিমাই

লেপ্তে তেংথাবা নখোয়গীদমক্তি
মীনুংশিনা চোল্লবা ৱাহৈ কয়ানা য়োল্লি
বিজয়া, যোদ্ধ, মাইপাক...
অতৈ কয়ানা চৎখিবসিদদি
নীংঙমহৌদবনা ঙাওরি মীপুম তিংনা
অদুবু ..অদুবু.. কৈগীনো ?
কনা'মবুদি কনানা ফোংনা
অসুক কল্লক পেল্লিবা
তূমিন-নুংদা থম্বা ঙমদনা
সিবু মানারা নৎত্রগা মানারা ?
ঐ কিবনা থক-থক নীক্লে
ঐ শিরগদি কমদৌবা !
শিদ্রিঙৈসিদা করি তৌবা তায় ?

## শ্রর্দাঞ্জলী

(ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমদা কৎচবা)

—রাজেন লোইতাম

খোঞ্জেল থোক্তনা মোমোন নোক্লনবা
তপ্না ঙাওগনবা, মুন্নদি তাগনবা
ঙকশমদা টাই পুনগনবা, লুরুক্লা চৎকনবা
খোঙথাং লুম্না থাংলগা মীৎয়েং হুৎকনবা
উনবা মীপূম খুদিং খঙনবগুম নোকফেৎপা
নগুণনি নঙগী লৈতেংলম্বা।
ঙল্লিঙৈ পুন্সিগী তাঙ্কক্তা
পায়রদুনা শিনফম অমা তাঙলবা
থৌগল তৌরম্মী তাঙলবা মীওইপোক্কী
পাম্নখিবনি হেন্নদুম মীয়াম্না নহাকপু
অচম্বা, নাপল য়াওদবা থৌগল্লোই ওইনা।
থেংনরকপা পুন্সিগী তাঙ্কক্তা
তিল্লখি ইমা লৈবাক্কী সাহিত্যগী লৈকোলদা
ঈথক হৌহনখি ঈপোম নাইনা সাহিত্যগী লৈকোলসে
থৌরবা নহাক্কী কলম মচিন্দগী থোরকপা
থোৎনা মেঙলগা মনুং হকনা য়ৈবা
অমৃত পুবা ৱাহৈশিংনা অতাবশিংগী থম্মোয়বু
পেনবীরদুনা খোরিশিংনা লাম্থোকখি মনা কয়া নফমদা
অদুবু...! চৎখ্রেদো তুংওইনরল্লগা পূন্নমকপু
তকশি শোঞ্জহৌবা নত্তনা পাম্বে লৈত্রবা ঐখোয়না
ইখূৎ-ইশা থেক্তুনা ৱাংনা কারল্লিবা চিতাগী মৈখুবু
পিরাংনা থুমহৎলবা মিৎসিনা মমি-শামী য়েংলি
শোন্থাংননা শোল্লি চিন্দা নোংগুল্লকখো নহাকপু।

## মহিক্কী লানফমসিদা

—চিঙ্গাংবম সঙ্গায়জাওবী

শাংলবা চহী কুমজা অমা
থৌদাং অমত্তা পাঙবা ঙমদনা
অৱা ৱাখলনা গ্রহন লাক্লুরবা তুংদা
ফাওরক্লুরবনি মঙাল অমা পূক্লিংদা
মহৌশাগী পুন্সি হল্লক্লগনি খঞ্জ।

অদুবু,
করি মতৌ কৌবগে
ঙসি অমুক শাফোঙলক্লিবা
শক্লোন অমা হোংলদুনা
হেন্না তমথীরবা মওংদা,
অৱাবদি! ময়োল চোংখৎলক্লিবা
অঙাং নাৱাশিংসিগী শাগৎচরুবা
অনৌবা মঙলান্না মায়কৈ কদোমদা?
মীওইবা!
নঙসে তশেংনা মায়থীরবা হায়দুরা
শকউদবা মহিক মহাক্কী লানফমদা?
ঙসিনা অসুক তমথীরবদা
হয়েংনা করম থোক্লগবা!
মালেমসে
ঙসিদি লৈতেম চপ মান্নরে
করম্বা লৈবাক্লা থাক ৱাংলিবা
করম্বনা থাক নেল্লিবা, চাওখৎত্রিবা
খেন্নবা পূম্বা মাঙখরে শিবগী মফমদা।
তাইবঙপালসে
মুখুৎলগে মতাগুম লান্দারক্লে
অকনবা মওংগী লাল্লোংদা
মফম কৈদা লোৎলুনি
মফম কৈদা চেল্লুনি
মাঙদসু লাং তুংদসু তেন
মহিক্কী কল্লবা লানফমসিদা।

## কলিগী ভাবোক

—অঙোম ইবোমচা

মী শিবগী মপাউতবু ঙাইজা
লুহোংবগী চেবাউবু য়েংজা
তূম্বা-চাবা লৈতাদা
অনীংবা করিনো খঙদা থৌপুগী
তৌরক্কনি তৌরক্লোই খঙদা
চেবাউ লৌবা চৎপা
কলিগী ভাবোক
কলিগী ভাবোক।
ভাবোক হায়বসি কনানো
ভাবোক্কী ৱাহন্থোক্লা করিনো
লৈ চন্দন লাকপদা
করম্না লৈ লৌগনিসু খঙদা
ফম্ফম্না করিনোসু মখঙদা
অমগা অমগা মুরুম-মুরুম
মমাঙগী পৈশাতবু য়েংলিবা
কলিগী ভাবোক
কলিগী ভাবোক।
মমাঙ ফম্বতবু মতাননৈ
অহল ঐনি মঙাঙনৈ
আধারবু পুদুনা মচৎনৈ
খৎনবসু ময়াওরকই মীয়ামলক্তা
ইকায়বিদ্রগা লোইরে মখন্নে
মখোয়গীদমক্তা ইকায়বি মীয়াম্না
কলিগী ভাবোক
কলিগী ভাবোক।
পৈশা পাল্লবদি নহা ওইরিঙৈ
মহৈ তল্লমগনিদি মখন্দা
পুঙ-ঈশৈ, জগোয়নচিংবা
ঙাওনরি হৌজিক্তা
চাবা তূম্বা লৈতাদা
মী শিখিবগী মপাউতবু ঙাইদুনা
কলিগী ভাবোক
কলিগী ভাবোক।

## থৱাননা থাজদগী হেল্লিদো

—রিকি মাইৱম

নুমিদাং মতম য়ৌরক্লে
থাজ থৱান থোরক্লে
থাজনা লময়ৌনা ঙাল্লরে
থৱানসু তনিক্লা ঙাল্লরি।
থাজদে শক্লোন হোংঙিদো
মশেক মঙাল খেন্নেদো
থৱানদি শক্লোন হোংদেদো
মশেক মঙাল খেন্নদেদো।
থাজ মহাক্তি নাইতোম্না
থৱান য়াওদা লৈঙমদে
থৱান মহাক্তি নাইতোমনা
থাজ য়াওদনা লৈঙম্মী।
থাজ মহাক্কী মগুনদি
থৱান মহাক্লা হাপ্পনি
থৱান মহাক্কী মগুনদি
থাজ মহাক্লসু হাৎপনি।
কল্লকচৈ কো থৱান ও!
নঙগী নতিক নগুনসে
থাজনা থৱান্দগী হেন্দেদো
থৱাননা থাজদগী হেল্লিদো।

## ঐদি নুপী লোনগনি

— মৈস্নাম বিরমনি পাল্লারবোন্দ

নুপাগী রাইটপু মৎলগা
য়ূম পুগে হায়রক্লে
থকসি-খাসি য়াওদনা খুল্লক্লে
থৌগল ঙমজদ্রে তোয়রক্লে
ঐদি নুপী লোনগনি।
খোঙথাং খুদিং নিংহন্নরে
ৱাফম অয়াম্বা য়েৎনরে
খ্বাং কোল্লে লাওনরে
থবক খুদিং নংনদ্রে
ঐদি নুপী লোনগনি।
কয়া কুইনা হিংখিনি
মতম খরদংদি নুংঙাইনা
খুয়া তুশিৎনা লেন্নিংঙি
পুন্সিগী মহাও ফংনিংঙি
ঐদি নুপী লোনগনি।
মাবু চৎলো হায়বিরোই
কৈদৌনুং থীনা তৌবিরোই
মশানা মরাল খঙসনু
মপুরোয়বা থৌগল লৎনবগী
ঐদি নুপী লোনগনি।

মতম মতমগী ৱাখল

# ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসম

ঐগী ৱারেংসি ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমগী পূন্সি ৱারী নৎতে। পুন্সি ৱারীগী মচেৎ অমদি ওইগনি। ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসম করম্বা মীশক্লো লোয়নবা তিন্নখিবশিংনা খঙবীবা ঙাক্তনি। অনা-লায়েংগী শিনফমদা মতম শাংনা লৈরিঙৈদা মহাক্কী শিনফম্না য়াদবনা ঙসি লোয়নখিবা খোরিরোলগী অইবলক্তা লৈরিবা মরুপ-মপাং ময়ামসি ঙল্লিঙৈদা মহাক্লা লোইনখিদবনা অয়াম্বা ওইগনি। সাহিত্য, কলা সংস্কৃতি ঙল্লিঙৈদগী পামজরগসু হকচিন্না চঙশিনখিদে অদুবু তুংশিন্দুনা লৈরকখিবা মহাক্কী লৌশিং খোরিরোলগী অমদি ঈশৈ-নোংমাই পুক্তে অদুদি মমুন ফারদুনা মৈগী চীংগুম মহী চেল্লবা মমল য়াম্নবা ধাতু য়াউবা লভা ময়াম থবক্তগী পোৎথারবা মতুংদা কাপথোকলকখি। ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমগী মরুপ-মপাং য়াম্না লৈরমখি। মাগী মফমদা শাগৈ জাৎ,শক-চুগী, অনেম অৱাংগী খেন্নবা চাউথোকপা নাপল লৈখিদে। খুদিংমক্লা তিন্নবা য়াখি। মরুপ মপাং হেন্না লৈরকখিবসি ঐনা খঙজবদা অইবা অমা ওইনা চঙশিলকখিবা অমদি ঈশৈ নোংমাইগী অপূনবা কাঙলুপ অম্মিক্লা লোয়নখিবা মতুংদগীসু ওইগনি। ডাক্তরগী শিনফমদা লৈরিঙৈদসু শিনফম মান্নবা ডাক্তরগী মরক্তা মরুপ-মপাং লৈখি । যোদ্ধচন্দ্র সনসমবু মহাক্লা শিনফম পুল্লম্বা ডাক্তরশিংনা নুংশিবগা অইবশিং অমদি ঈশৈ নোংমাইগী কাংবুগা অমুক পুল্লকপদগী লৈরকখিবা মরুপ মপাংশিংগা কনানা হেন্না মহাকপু নুংশিরমগদগে হায়বসি ঐদি হংদবা ঙমলোই। শিনফম মান্নবা মশেন ওইবনা কল্লক্লবা য়েংথিনবা য়াওরমগনি মসিদি হৌনশানি। অইবশিংসু অদুম হুন্নে, কল্লক্লে,য়েংথিনবা য়াওই হায়বসিদি অইবশিংসু খঙনবনি। মতৌ মান্দনা মনুংদা য়েক্লবা,মোন্না থরুম তৌবসিদি অইবশিংগী লক্তসু য়াওগুম তৌই । পূন্নমক অসি উশিন তাশিন্নদনা পূন্নমকপু খোনজিন্নবা হোৎনখিবা মীশক অমা হায়জবা তারগদি ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসম মীশক অমনি। মহাক্কী হকচাংগী কয়াৎতা য়াওরিবা পূক্লিং ৱাখলগী ডি এন এ মথৌ কন্না তৌরকখি। পোৎথাখিদে ইবা হৌরকই। ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমগা নক্লখিবা, শিনফম পুনখিবা ইকায়খুম্নজরবা ডাক্তর অমনা 'প্রোফেসর যোদ্ধচন্দ্র সনসম এট দি হোরাইজন ওব সাইন্স এন্দ আর্টস' হায়খি, মণিপুরগী ৱাংমা মীরৈবাক্তা লৈখ্রবা মৈতৈ ডাক্টর অমনা ডা, কমলগী পূন্সিগা ডা, যোদ্ধগী পূন্সিগা চাংদম্নবা ৱাফমসু লৈখি। মহাক্কী ৱাফমসি ঐহাক্তি লূম্না লৌজৈ,অমুক হন্না নৈননীংবা পোল্লি। অফবা ৱাখল্লোন্দনি, ফিদম্নিংঙাই য়াওবা মীওইবগী মীনুংশি, খাঙবা কনবা নুংদা য়াউবগী মমি ৱাফম অদুদা তারি। ঐখোয়না ডাক্তর কমলগী পূন্সি কয়াম খঙলবগে? মতৌ অসুম্না ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমসু ঐখোয়না কয়াম খঙলবগে হায়বসি ইশা ইতোমতা হংনিংলি। মরুপ মপাং ওইনা চামিন থকমিন্নবা ঙাইহাক পূল্লগা, মীশক অমগী মরমদা লোয়না খঙবা ঙম্মোই। মপাম্থোংদা য়েংলগা নৈনবসু য়াদে। মী অমগী মরমদা খঙনবা থিবা অরুবনি। হায়দোক্তবা, হায়দোকপা য়াদবা কয়া অমসু চঙশিল্লগা লৈনরম্বা য়াই। ৱাফমসি ডাক্তর কমল অমদি যোদ্ধচন্দ্র অনীমক্কী পূন্সিদা থোকখিব্রা সিসু নৈনবা য়াই। ডা. যোদ্ধগী পূন্সিবু খঙনবা থিবদা খোরিরোলবু খুৎলাই অমা ওইনা শীজিন্নরগা হন্দক পংকুই কুইদনা তুংগী য়াইফনবা শেম্বা কাঙলুপ শমুরৌদা লৈবনা শিন্দুনা মীওই কয়ানা তোঙান তোনবা মীৎয়েংদা নোংমগী ওইবা সেমিনার চে পাথোকখি, নৈনখি । ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসম মশামক্কী মমাংদা মহাক্কী মরমদা নৈনখিবনি। অহিংবা মীগী মমাংদা মহাক্কী থবক থৌরমগী মরমদা ফোংনা নৈনবসি তাঙনা থোকপা অমনি। মায় পাকখিবা অচৌবা থৌরম্নি। মীয়াম্না ঙাঙখিবা নৈনখিবা অদু চেনা মশীং য়াম্না পানবা লাইরিক্কী মওংদা পুথোক্তুনা থৌরম শিনখিবা তুংগী য়াইফনবা শেম্বা কাঙলুপনা লেম্না ফংহনখি। পাংথোকখিবা অহিংবা সেমিনার অদুনা ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসম অমদি মহাক্কী পূন্সি মীয়ামদা খঙহনবা ঙমখ্রবনি।

ঐনা খঙজবদা ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমগী মরুপ মপাংসি ডাক্টরশিং অমদি অইবশিং খক্ত নৎখিদে। অতোপ্পা শিনফমদা লৈবা ইঞ্জিন্নিয়র,পুলিস,পুংয়ৈবা,ঈশৈ শকপা,উ শুবা, চীংদা মান্দা লৈবা পূন্নমক্লা মহাকপু খঙখি খূদিংমক্লা নুংশিখি । শিল্লোংগী উচান পাম্বীশিং,ঈশিং চাইবী,গির্জাশিংগী কাংশি,উমিয়াম লেক,ৱার্দস লেক,শিল্লোংগী থেক্লা খোয়না লৈখ্রিবা চীংগী লম্বীশিংগসু মহাক্লা মরুপ ওইখি,চীংগী লমদম শিল্লোংগা,খাসিগী ইপা ইপলশিংগা মহাক্লা নক্লবা মরী লৈখি,নুংশিনখি হায়বসিমদি ঐখোয়না মনুংহুৎনা খঙখিদ্রি। মখোয়না মরোল থোকলম্লগদি ৱাহৈ খরদি হায়রকপা ঐখোয়না শোয়দনা তারমগনি। মীওইবগী পূন্সিদা কনাগুম্বা কনাগুম্বী অমত্তনা হেক ফংগে তানবদা পাক ফংলোইদবা পোৎশক মীনুংশি, নুংশিবা হায়বদু মহাক্তি ফংখ্রবনি । অৱাৎপা লৈখিদ্রবা ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমগী পূন্সিদা শীংনবা অমদি চাউনা লৈখি। মহাক্কী পূন্সিদা শীঙনবা অসিনা মায় পাক্লবগী লন ওইরকখি হায়বসি ঐদি থাজজৈ ।



ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমবু ঐহাক্লা তামো কৌজখি। নক্লা লোয়নখিবশিংগী মরক্তা ঐহাকসু অমনি। তোয়না অয়ুক নুমিদাংদা ফোন্দা ৱারী হেক হেক শামিন্নে । কুইদ্রি, মহাক্কী পূন্সিগী মরমদা পাংথোকখিবা সেমিনারদা উন্নখিবা মতুংদা ইপাথৌকোক্কী লম্ফেলদা লৈবা মশাইগোন্দা চৎন কাংলোন ঙাক্লা পাংথোকখিবা কোম্বীরৈ হোঙবা থৌরম, কোম্বীরৈ ফেষ্টিভেলদা লেঙবীরক্তুনা শরুক য়াবীরমখি। কোম্বীরৈগী তেংথা ঈশৈ পূক্লিং পেন্না তাবীরমখি। থম্মোয়দা ফাওরকপা নুংশি ৱাহৈ, কোম্বীরৈ লৈরাংগী নুংশিবা, থৌরমগী অপেনবা টেলিফোন্দা নুংশিনা ফোংদোকপীরমখি । থৌরম অদুদা য়াওবিরম্বা অদুনা অরোয়বা উন্নবা ওইখি। মহাক্কী ওইনসু অরোয়বা মরুপ মপাংশিংগা উন্নবা ওইরমখিবা য়াই। নুমিৎ অদুগী মতুংদগী হকচাং ঙমদবগী পাউ তাখি।

মীওইবা পূন্সি ইয়াইগী কোঙ্গোলনি শৈথানৈ। ঐখোয় কনাসু হিংদুনা লৈহৌগদবা নত্তে। শিবগী লমন তোন্নবা ঙাক্তনি। হন্দক থা অসিদা খঙন-চান্নবা মরুপ মপাং, অহল লমন য়াম্না থাজদনা লৈখিদে। নুংঙাইতবা ঙাক্তনি । তামো যোদ্ধচন্দ্র সনসমনা লৈখিদবা অসিমদি হায়ফম খঙদে , থাজবসু ঙমদে । খঙহৌদনা মিৎকী পিসে মথন্তা শিন্থরকখি,লেপখিদে,ঐসু তৈথোকখিদে অদুম তাহনখি । মোমোন নোকপা মাইথোং মিৎসিদা উরি। ঐনা তামোবু অমেরিকাগী প্রসিডেন্ট ওইখিবা জোন এফ কেনেডিগা মান্নে হায়না চাংদম্নজখিবদা মহাক্লা নোকচখিবা মায়থোং হৌজিকসু মিৎমাংসিদা উরি । তামোগী য়ূমদা কা অহুম মনীংদা লৈ । কা অমনা ডাক্টর ইন আউট থাবা অনা লায়েংগী কানি। ময়াই থংবা কানা মরুপ মপাং,অইবা অইবী ময়াম লাক্লগা ফমফম্মি । অহুমশুবা কা অসিসু ময়ামগী ফমফমনি। খরা হেন্না মকে শেম্মী। অখন্নবা মীওইশিং ফমহল্লি। তামো যোদ্ধচন্দ্র মাশা নাল্লি, ৱা তপ্না ঙাঙজৈ, খোঞ্জেল লূম লূম লাওই। অশাওবা মায়থোং উবা ফংদে । কুইদ্রি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী খুৎপু অমনা তামো যোদ্ধবু হকথেংননা পূন্সিগী ৱারী-ৱাতায় শাদুনা আর্কাইবকী রেকোর্ড ওইনবা ফিল্ম নমহৌখি। তাইবং মপুনা নংহৌররোই খঙদুনা ইনশিনবীরকখিব্রা, মহাক্লা হায়নিংবা তম্নিংবা ৱারোল খরদি থমজিলহৌবা ঙমখ্রে । মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা মমাংগী চহীদগী লেপ্তুনা মশকনাইবা মীওইশিংগী ডোকুমেন্টেসন তৌবা হৌরকপসি মমল য়াম্মী। তামো যোদ্ধচন্দ্র মশামক একাদেমী অসিগী বোর্দ মেম্বর ওইবীরম্মী। একাদেমীনা পুথোকপা চেফোংগী এডিটরসু ওইবীরম্বনি। চুম্নগী অইবা শৈরেংবা ওইবতা নত্তনা মরুওইবা চেফোং খরা- 'ফিল্মগী তাইবং', 'তাম্না','হকচাঙ পাউজেল' আই.এম.এ. মণিপুর ব্রাঞ্চকী চেফোঙ,অম্মিক্লা পুথোকপা চেফোঙ 'ঈশৈ' অসিনচিংবশিংগী এডিটর ওইবীরম্মী। ঈশৈ ময়েক য়াম্না ইরম্বদি নৎখিদে অদুবু খরখক ইবীরম্বদা কাউঙমদবা ময়েক ওইখি। শোন্নরিবা ঈশৈ খরদি থিংবাইজম বিপিনচন্দ্রনা শকখিবা 'ঐ ঙসিদি অশেঙবা হায়দোক্লগে', থোঙাম ইবোচৌনা শকখিবা 'ৱারবা থম্মোয় নঙনা মফম অসিদা পুবিরো..' নোংমাইথেম পহারীনা শকপীখিবা 'লোইখ্রদরা নঙগী ঐগী ৱারী' অসিনচিংবনি। মীয়াম্না হেন্না খঙনখিবা কাওঙমদবা ঈশৈদি ললাম্থং ইমোনা শকখিবা 'কুমওন অমা লাকপসিদা', 'পীক্লবা থাউমৈগী মৈরিসে তমথিবা নুংশিৎনা হুমদোকখি' অমদি 'নোককনবী নঙনা নোকখিদবদা নোকশিরা ঐবু কপশিরা অসিনচিংবা খরসিনি।

মরক মরক্তা নীংশিংলকপা নত্তনা ঙসিদি মপোকসিদা নক্লরমখিবশিং কাউনরকখ্রগনি। নীংশিংলকপা মীৎকুপ অদুমদি অৱা নুংঙাইতবা নুংশিবনা ওইগনি। ঙসি,করিগুম্বা খরা ফোঙদোকহৌবসিনা পোত্থাবা ঙমগদৌরি। ঐখোয়সি কায়নখিগদবা ঙাক্তনি খল্লুবদা মপোকসি নুংশিরকই। মসিবু নীংশিংবা ঙমহন্দ্রিবসি পূন্সিনি। চৎখিবা মহাক্লা, মখোয়না তম্বীরম্বা, হায়বীরম্বা কয়া অদু নীংশিং নীংশিংনা থম্মোয়গী নুংশিবা মফমদা উৎচরি। ঈংনা চিক্লা তামো যোদ্ধচন্দ্র অমদি লৈখিদ্রবা মরুপ মপাংশিং পোত্থাবা ওইরসু ।।

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৯৭

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

রমাধিন মহাক্কী মমায় য়েংদুনা অদুমক লৈখ্রে, অদুগা সনিচরনা হায়, "প্রধানজি অদোম হায়বিয়ু জোগনাথ হায়রিবসি কনানো ।"

সনিচরনা হায়, " বাবু সাহব, নঙ, ঐঙোন্দা হৌজিক্তগী হৌনা প্রধান-ব্রধানকা হায়না কৌগনু। নঙগী মমল য়াম্লবা ভোট অদু মঙ্গলদাস দুলারেলালদা হেক পীবদা ঐ প্রধান ওইবা ঙমগদৌরিবনি। হৌজিক্তগী হৌনা চবেৎ-চবেৎ ঙাঙবা কান্নরোই। চুমদ্রনে বাবু রঙ্গনাথ?"

ভঙ্গ (শঙ্গোমদা গাঞ্জা য়াওরবা মহী)গী গিলাস অদু রঙ্গনাথকী মাংদা থুংলরে। মহাক্লা মকোক নোল্লদুনা হায়, "ঐদি মদু থক্তে।"

মতৌ অদুদা বাবু রামাধিন ইকায়বা ফাওরম্মী। মদুগী মহয় ওইনা হন্ডি ঘাতিদা লান থোকখি। শাওরদুনা হায়, "নঙ করিগীদমক ভঙ্গ থক্কদৌরিবনো ভৈয়া! মদু ৱাখল য়াওদবা মীওইশিংনা থকপনি।"

রামাধিনগী মমাংদা গঞ্জহা অমসু ফমদুনা লৈরম্মী। রঙ্গনাথতগী হেন্না মশা য়াম্না নান্না লৈবা উবদা মহাকপু হৌরকপদগী হৌনা মহাক্কী ৱাখল্লোলদা অদুমক য়েক্লবা অমা ওইনা খনখিবনি। মহাক্লা হায়রকই, "মহাক সহরদা লৈবা মীনি, ভঙ্গ করম হায়না থক্কদৌরিবনো? মহাক্কী ওইনদি বোটল ওইনা পুথোরকউ সাহেব!"

রামাধিননা রঙ্গনাথতা মওং অমদা য়েংদুনা হায়, "মহাক বোটলদা য়াওবদুসু থক্লোই। মহাক বাংভননি (খুঙ্গংগী কাংলুপ মখল অমা)।" অদুগা মহাক্লা রঙ্গনাথতা নোল্লুক্লা হংই, "করিগুম্বা থক্লবদি হায়বিয়ু লৌহল্লুগে!"

বাংভন অমা ওইরুবনা মদুগী পাউখুম পীবদা খরা খজিক হেক পল্লি। অদুবু সনিচরনা চিংনবা লৈতনা হায়রকই, "নঙ করিগী বোটল ওইনা কৌরিবনো? মদুগী মহুৎতা চিমিরিখিদাস (থক্লবা মহী মখল অমা) ওইনা কৌ।" ৱাফম অদু হায়রদুনা গঞ্জহাগী মায়কৈরোমদা অমুক লাউরদুনা হায়রকই, "অঙাওবশিদি!" খুঙ্গং অদুগী ওইনা প্রমান অমা হায়নবা লৈ, প্রমান অদুগী ৱাহন্থোক অদু খরি বোলি (লোল অমা)দা 'ওক ১৬০০ লোম বার্তন তৌনবগী কোয়দুনা চৎলি অদুগা মফম অদুদা করিগুম্বা অখন্নবা মখল অমত্তগী লেট্রিন অমা ফাওবা লৈতে।'

রঙ্গনাথনা চৎহৌবনা ফরনি হায়না খল্লকই, মরমদি মফম অদুদা ঙাঙন-শক্লরক্লিবা ৱাফমশিং অদু মওং অমা তৌনরক্লে। "ঐ চৎনবগী অয়াবা পীবিরো বাবু রামাধিনজি, ৱাকিংসু চৎকদবনি থেংখ্রগনি।"

"ৱাকিং চৎপা হায়বসি শগোল অমোমগী থবকনি, নুপাগী থবক নত্তে হায়না হায়রকই।" মহাক্লা অমুক হন্না থম্মোয় শেংনা হায়, "পুশ অপ ৫০০ তৌবিয়ু, পূন্নমক অফবা ওইবা খক নত্তনা চাবা ফাওবা লোয়না তুমগনি।"

মখোয় অনী চৎপা হৌরক্লম্মী, অদুবু ঙাইহাক জ্বার শান্নরিবা মীওইশিং অদুগী মনাক্তা পন্থরম্মি। জ্বার শান্নবা অদু কাংলুপ অনীগী মরক্তনি। মায়কৈ অমরোমদনা মীওই খরা ফমদুনা 'কোৎপিস' শান্নদুনা লৈরম্মী। মখোয়না শান্নরিবা মওং অদু মুন্না য়েংবদা খঙবা ঙম্মী মদুদি কোৎপিস হায়রিবা মশান্না অসি জ্বার চে ৫২না শান্নবনি; শান্নরিবা চে অদু য়াম্না লিরবা, তৎলবা অমদি ময়েক মুৎশিল্লক্লবা ওইগদবনি মরমদি শান্নরিবশিংগী মরক্তা অতোপ্পা মী অমনা করম্বা চে পায়রিবগে হায়বদু খঙননবনি। অদুগা কোৎপিস মশান্না অসি মীওই ৮না শান্নে। মীওই মরি অমনা চেদু মখুৎতা পায়দুনা মমায় লুকথরদুনা অৱাবা ফীভম অমদা প্রেসর কয়াগা লোয়ননা ফমদুনা লৈ। অদুগা মীওই মরি অমনা জ্বার চে পায়রিবশিং অদুগী মতুংদা ফমদুনা মাগী-মাগী মমীৎনা উরিবা চেশিং অদুগী মতাংদা হায়নরম্মী। অদুগা তুমিন্না লৈবগী মতাং লাক্লকান্দনা শোয়দনা ৱা ঙাঙনরকই। মসিদা নত্তনা, জ্বার শান্নরিবা মীওইশিং অদুগী খৈনি নৈবা, বিড়ি চমখৎপা, থক্লবা ঈশিং পুরকপা অমদি থাদরিবা চেশিং অদু খুনগৎনবগী থবক মখোয়না তৌরম্মী। শান্নবা লোয়রবা মতুংদা কাবা অমদি পোবগী মতুংইন্না শেল য়েন্নরকপা মতমদা ফ্রেকসন তাদনবা কারিবা মীওইশিং অদুদা ক্বা লৈনবগী থৌদাংসু লৈ। লোয়ননা লৈরিবা চে অদু মশিং থিনবা অমদি পোদোরবা মতমদা চে অদুবু হুন্দোক্তুনা ৱাফম অমদা হেক্তা তাইশিন্নদুনা খৎনবা হৌবগী থবকসু মখোয়গী মথৌনি। মখোয়গী মাঙদা ফল্লিবা শান্নরোইশিং অদুনা করম্বা চে থাদগদবনো হায়বদুসু মমিৎনা খৎতুনা খঙহনবা অদুগা মওং অদু অতোপ্পা মীনা খঙখ্রগনা মদুগী মায়োক্তা লাউবা-খোংবসু মখোয়গী থবক্নি।

রঙ্গনাথসু জ্বার মশান্না অদুগী মতাংদা চাম্মদা চাম্মা খঙবা ঙল্লে, তশেংনা ভঙ্গগী নশাগুম তৌই, অদুবু মহাক্লা অতোপ্পা গ্রুপ অমগী মতাংদা থিজিল্লুবদা শিবপালগঞ্জদা জ্বার শান্নবগী খুৎশান্না অদুগা য়াম্না খেন্নরম্মী হায়না খঙখি।

মখোয় ফ্লেস শান্নবা অদুদা, লেন্টর্নবু 'লালটেন' হায়নবগী মতৌগুম মফম অসিদসু ফ্লাস ওইনা অদুমক হায়নরম্মী। জ্বার অদু য়াম্না কনবা মওং অমদা শান্নরি। মায়কৈ অমরোমদনা ব্লফ য়াওনরকপা মরম্না তমথিবা মওং অমদা লাউ-খোংনরম্মী। অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদনা খুঙ্গংগী অশেংবা মওং অমদা শান্নদুনা লৈরম্মী।

ইখঙ খঙহৌদনা মহাক্কী মকোক ঙাওরক্তুনা পাখৎলদুনা কোইচেন চেল্লক্তুনা মপুবুসু মখাদা থাদদুনা মখোংনা নেৎখাইগদৌবগী মখোং থাঙ্গৎতুনা লৈবগী ৱাখল লাকই। মহাক্লা চে অদু লংথরম্মী অদুগা অতোপ্পা মনিংদা লৈরিবা মীওই অদুনা য়াম্না য়াংনা মখুৎনা শেলশিং অদু পায়শিন্দুনা হাপচিনখি। পোরবা শান্নরোই অদু নুমীৎ নীনিগী মমাংদা রঙ্গনাথনা ৱেদ্যজিগী য়ূমদা থবক শুবগী পৈশা নিপান পীখিবা অদু থেংনখি। পোরবা মীওই অদু নুংঙাইতবা-অৱাবা করিমত্তা তৌদনা বিড়ি অমা চমখৎলদুনা অতোপ্পা মায়কৈদা চে য়েল্লিবা অদুবু থৌ-ৱা শাদনা য়েংলম্মী। রঙ্গনাথনা মহাক্কী অদুগুম্লবা খাঙবা কনবা অমদি থৌনা অদুবু থম্মোয়নুংদা থাগৎপা ফোঙদোক্লম্মী।

করিগুম্বা হৌজিক দত্তাত্রেয় হিংলম্বা থোক্লবদি মহাকপু ২৫শুবা গুরু ওইনা শোয়দনা থমগনি হায়নসু খল্লম্মী। মহাক অকিবা লৈতনা য়েল্লিবা চে অদু য়েংনবগীদমক মকোক অদু লুকথখি।

জ্বার শান্নরিবা মীওইশিং অদুগী ওইবা মখোয়গী তোঙানবা লোল খরা লৈজৈ। মখোয় পেয়রবু 'জোর'; ফ্লাসপুনা 'লঙ্গরি', রনবুনা 'দৌর', রনিং ফ্লসপুনা 'পক্কি' অদুগা ট্রেলবুনা 'টিরৈল' হায়না হায়নরম্মী। শান্নরিবা অদুদা মখোয়না শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিং অদু তারগা মহাক্লা খল্লি : অঙ্গ্রেজি ৱাহৈশিংবু হিন্দিদা ওন্থোকপদা লৈরিবা প্রোব্লেম অদুগী অশেংবা পাউখুমদি মসিদা লোয়না লৈরে।

লৈবাক অসিদা প্রোফেসনেল ওইনা দিক্সনরি শেম্বা অমদি দিক্সনরি শেল্লিবা মীওইশিং অদুগী কম্মিটি কয়া অমসু লৈ। মখোয়না অঙ্গ্রেজি ৱাহৈশিং হিন্দি অমদি অতোপ্পা লোকেল লোলশিংদা ৱাহৈ কয়া অমা শেম্মী। অসিগুম্বা থবক অসি য়াম্না ইন্টরেষ্ট লৈবা থবক অমনি। মরমদি মায়কৈ অমরোমদনা কা মনুংদা অদুমক অনৌবা ৱাহৈ কয়া পুথোক্লনরি। অদুগা অতোপ্পা মায়কৈ অমদনা অদুগুম্বা থবক অদু তৌবদা মতম য়াম্না চঙমনখিবনা ৱাহৈ শেল্লিবা মীওইশিং অদু পেন্সন ফংবগী মতম ফাওবা য়ৌশিল্লকপা য়াওনরি। অমুক্লা হেন্না ইন্টরেষ্ট লৈবা ৱাফম অমনা মতৌ অদুম্না মখোয়না শেল্লিবা লোল অদুগী ৱাহন্থোকসু করি অমত্তা লৈতে, শুপ্পগী অঙ্গ্রেজিদা লৈরম্বা ৱাহৈ অদু নখোয়গী লোলদা ওইনা ওন্থোক্লবনি হায়বদু নত্তনা। লোল অদুবু লৌশিনগেরা নৎত্রগা লৌশিল্লোইগেরা কনাগুম্বা অমত্তদা চিংনবা লৈনদে।

রঙ্গনাথ অদুগুম্লবা প্রোব্লেমশিং অদুগী মতাংদা করি-করিগুম্বা মতমদা ৱাখল খল্লম্মী। অদুবু মহাক্লা ৱাফম অদুগী মতাংদা অতোপ্পা লম্বী অমত্তা উবা ফংখিদে। তোয়না-তোয়না 'পক্কি', 'টিরৈল' অমদি 'লঙ্গরি' নচিংবা ৱাহৈশিং শীজিন্নবা অদু তারদুনা মহাক্লা খল্লি মদুদি গঞ্জহাগী মীওই মরি-মঙাগী কম্মিটি অমা শেম্লগা দেল্লিদা ফমহল্লবদি ফগনি। অচৌবা টর্মিনোলোজি কেল ওইবা ৱাহৈশিংগীদমক শুপ্পগী মীয়াম্না য়ানবগী মওংদা মখোয়গী মমা লোলদা ৱাহৈ খরা পুথোক্তুনা থমগনি। মদুদা য়াদ্রগনা ট্রেল ৱাহৈবু 'টিরৈল' হায়বদা কয়াম কুইবা থবকনো।

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা